
# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লন্দনদা থুংখিবগা লোয়ননা ইমিগ্রেসন, টেররিজমগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ১০ দাওনিং ষ্ট্রিটতা থুংখিবগা লোয়ননা বৃটেনগী মহাক্কা ফম মান্নবা টেরেসা মেগা ইমিগ্রেসন, ক্রোস বোর্দর টেররিজম, ভিজা অমদি ইমিগ্রেসনগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারী শান্নখ্রে।

টাটা মোটোর্সকী রেঞ্জসগী রোবরদা থুংলখিবা প্রাইম মিনিষ্টরবু টেরেসা মেনা তরাম্না ওকখি। লুচিংবা অনীনা কুমজা ২০১৪ দা মতম লোইখ্রবা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং হলহনবগী মতাংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেনিদং (এম ও য়ু) রিন্যু তৌখি। লুচিংবা অনীনা অতৈ অতোপ্পা য়ানচে কয়াসু খুয়েৎ পীনখি। মোদিনা থুংলখিবা মতমদা সারি অমসুং ফৈজোম শেৎপা ইন্দিয়ান কয়ানা দাওনিং ষ্ট্রিটতা তরাম্না ওকখি।

কমলৱেলথ হেদস ওফ গভর্নমেন্ট মীটিং (সী ঐচ ও জি এম) য়াওখিবা লাকখিবা মোদিনা ট্রোকহোমদগী বৃটেনদা থুংলখি। এয়ারপোটতা মহাকপু য়ু কেগী ফোরেন সেক্রেটরি বোরিস জোন্সননা তরাম্না ওকখি।

বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা মোদিনা লন্দনগী সাইন্স ম্যুজিয়মদা চৎতুনা চহী ৫,০০০ শুরবা সাইন্সকী খুদোলশিং য়েংশিনখি। প্রিন্স চার্লসনা থৌবু ওইদুনা শিনখিবা থৌরম অদুদা অনৌবা অয়ুরবেদিক সেন্টর অমা হাংদোকখি।

কুমজা ২০১৫ দা মোদিনা লন্দনদা লাক্লম্বা মতমদা থেমস তুরেলগী তোবর্বান্দা মাইখুম হাংদোক্লম্বা বসবেস্বরাগী মীতমদা লৈ পরেং হুক্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। তুংদা ফ্রন্সি ক্রিক ইনষ্টিট্যুটতা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসানা শিনখিবা থৌরম অমদা শরুক য়াদুনা লুচিংবা অনী ৱারী শান্নখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং স্বিদেনগী মহাক্কা ফম মান্নবা ষ্টিফেন লোফবেনগা উন্নদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা দিফেন্স অমদি সিক্যুরিটিগী লমদা মতেং পাংনবগী ৱাফম য়ান্নবা পুরকখিবনি।

লুচিংবা অনীনা হীরম কয়াদা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা ইনোভেসন, ট্রেট এন্দ ইনভেষ্টমেন্ত, কলচর অমসি অতৈ হীরম কয়াদা অমনা অমগী মতেং পাংননবা ৱাফম য়ানবা পুরকখি।

দেলিগেসন থাক্কী মীফম লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়া অমসুং স্বিদেননা মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক য়ানচে অমা খুৎয়েক পীনখি। ৱারী শানবা লোইরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, ইন্দিয়া চাউখৎহনবদা স্বিদেননা করি করম্বা মতেং পাংবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা নাকল অনীনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

ইনোভেসন, ইনভেষ্টমেন্ত, ষ্টার্ট-অপ অমসুং মেন্যুফেকচরিংগী মতাংদা মপুং ওইনা খন্নখি। রিন্যুএবল এনর্জি, অর্বান ট্রান্সপোর্ট অমদি ৱেষ্ট মেনেজমেন্ততসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনরগনি হায়না মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটিদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরী থম্নবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, দিফেন্সকী লমদা ইন্দিয়ানা স্বিদেনগা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নদুনা লাকখি। সিক্যুরিটি সেক্তর, মরু ওইনা সাইবর সিক্যুরিটিদা লৈবাক অনীনা মতেং পাংনবগী ৱাফম য়ানবা পুরক্লে।

অমরোমদা, স্বিদিস প্রাইম মিনিষ্টর লোফবেননা ইন্দিয়াবু মালেমদা মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক অমনি হায়না শিংথাখিবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, লৈবাক অনী খুৎশম্নরগা হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হৌরগনি।

# ক্যুবাদা রোল কেষ্ট্রোগী মহুৎ খন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে



হবানা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি): ক্যুবাগী নেসনেল এসেমব্লিনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রোল কেষ্ট্রোগী মহুৎ শিনগদবা লুচিংবা অমা খন্নবগী মতাংদা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

কুমজা ২০০৬ তা ময়াম্বা ফিদেল কেষ্ট্রোনা হকচাং শোঞ্জিল্লকপদগী রোল কেষ্ট্রোনা ক্যুবাগী প্রসিদেত ওইখিবনি। কুমজা ১৯৫৯ গী ক্যুবান রেভল্যুসন মতুং তারকপদা কেষ্ট্রো নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমনা লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইবা হন্দক্না অহানবা ওইরগনি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক ফর্ষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা মিগুয়ল দাইজ কেনেলনা অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়রি। মমাঙ থাদা মীখল পাঙথোক্তুনা খনখিবা নেসনল এসেমব্লি (ক্যুবাকী লেজিসলেটিব বোদি) গী মেম্বর ৬০৫ না কেষ্ট্রোগী মহুৎ শিনগদবা অনৌবা লুচিংবা অমা খন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

নেসনল কেন্দিদেসি কমিটিগী প্রসিদেন্টনা মেম্বর ৩১ লৈগদবা কাওন্সিল ওফ ষ্টেটকী মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকখি। কাওন্সিল ওফ ষ্টেটতা প্রসিদেন্ট, ফর্ষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট ৫ অমসুং সেক্রেটরি য়াওরি।

নেসনল এসেমব্লিনা ভোট লৌনরবা মতুংদা নেসনল কেন্দিদেসি কমিটিনা ভোট মশিং থিরগা শগোলশেন নুমিত্তা ফল লাউথোক্কনি হায়না গ্রানমা পাউচেগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ক্যুবাগী অশুপ্পা মতিক ময়াই পুম্নমক কাওন্সিল ওফ ষ্টেটকী মখুৎতা লৈ। নেসনল এসেমব্লিনা চহীদা অনীরক মীফম পাঙথোক্লবসু কাওন্সিল ওফ ষ্টেটতি চহী চুপ্পা মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈবাক্কী লোশেম্বগী থৌদাং লৌই। কুমজা ১৯৭৬ তা অনৌবা কন্সটিট্যুসন শেমদুনা প্রসিদেন্টকী ফম মুখৎখিবগা লোয়ননা কাওন্সিল ওফ ষ্টেটকী প্রসিদেন্টনা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইহল্লি। নেসনল এসেমব্লিনা নুমিৎ নিনিগী মীফম পাঙথোক্তুনা কাওন্সিল ওফ ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট খল্লবা মীওই অদুনা ক্যুবাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি। কেষ্ট্রোনা লৈবাক্কী লুচিংপুরেলগী ফম পায়দবা হন্দক্না অহানবা ওইরগনি।

# সী আই এগী দিরেক্টর মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়ান লিদর কিম জোং উনগা ৱারী শানখ্রে



প্যোংয়াং, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি): সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সী (সী আই এ) গী দিরেক্টর মাইক পোম্পিওনা প্যোংয়াংদা চৎখিবা অরোনবা খোঙচৎ অমদা নোর্থ কোরিয়ান লুচিংবা কিম জোং উনগা ৱারী শানখ্রে।

কোরিয়ান পেনুনসুলাদা লান লোইশিনহন্নবগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল ত্রম্পনা হায়খি, অথুবা মতমদা কোরিয়ান পেনুনসুলাগী লান লোইশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। কুমজা ১৯৫০ দগী ১৯৫৩ ফাওবা শোক্লখিবা কোরিয়ান ৱার লোইশিনখিবা তারবসু টেক্নিকেল ওইবা মীৎয়েংদা নাকল অনী হৌজিকসু মখা তানা লান শোক্লরি হায়না লৌবা য়াই।

লৈবাক অনীগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা দিমিলিটরাইজ জোনদা শম্বল খাগৎপগা লোয়ননা মাইন ফুম্বগী থৌওং চথুরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মথং চয়োলদা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উননা সাউথ কোরিয়ান প্রসিদেন্ট মুন জাইগা উনদুনা কোরিয়ান পেনুনসুলাদা থোকখিবা ৱাথোক্কী মতাংদা ৱারী শানগদৌরি।

প্রসিদেন্সিএল ব্লু হাউসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, কোরিয়া অনীগী লান লেপখ্রবা মতুংদা শেমখিবা আর্মিষ্টাইজ রেজিমগী মহুত্তা পিছ রেজিম অমা থম্নবা হোৎনরি। কোরিয়া অনীগী মীফমদা য়ানবা পুরকপা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা কিম জোংগা হকথেংননা ৱারী শানখিদবা তারবসু ৱাশিংতন অমদি প্যোংয়াংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা লাকখি। ৱাশিংতন পোষ্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, এপ্রিল থা হৌগৎলকপদা সী আই এগী দিরেক্টর মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎতুনা কিম জোংগা লোন্না ৱারী শানখি। হিরম অসিগী মতাংদা হ্বাইট হাউস অমদি সী আই এনা করিগুম্বা মখলগী কম্মেন পীরকপা লৈত্রি। নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শানবগী মতাংদা হ্বাইট হাউসকী সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, জুন থা হৌগৎলকপদা নাকল অনী ৱারী শানদুনা হিরম খরদা য়ানবা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎকনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৫৩ দা আর্মিষ্টাইজ খুৎয়েক পীনদুনা কোরিয়া অনীগী লান লেপহনখিবনি। চহী ৫০ রোম শুরবা আর্মিষ্টাইজদা য়ু এসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসন্স কম্মান্দ, চাইনা অমদি নোর্থ কোরিয়ানা খুৎয়েক পীখি।

ব্লু হাউসকী ওফিসল অমনা হায়খি, সাউথ অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা শোয়দনা য়ানবা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরে। নাকল অনী য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবদা য়ু এসকী মীহুৎ য়াওবা মীফম পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। য়ু এসতা কোয়রকখিবা জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা ফাজিন্দুনা থল্লিবা জপানিজ পুম্নমক থাদোকহন্নবগী মতাংদা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং শিংথানিংঙাইনি।

পনবা য়াবদি, নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় থাদোকপগা লোয়ননা য়ু এসকী ওফিসলশিংগা ৱারী শাননবা শেম-শারে হায়না মমাঙদা চাইনানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা হন্দক্তা বৈজিংদা চৎতুনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিন পিংগা ৱারী শানখি। লৈবাক অনীমক্না অহানবদা কিমগী খোঙচৎ অদু অরোনবা অমা ওইনা থমখি। অকোনবদা কিমগী বৈজিং খোঙচৎপু মীয়ামদা ফোঙদোরকখি। কুমজা ২০১১ দা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা ওইখ্রবা মতুংদা কিমনা মপান লৈবাক্তা চৎপা হন্দক্না অহানবনি।

# সিরিয়াদা থিজিন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে

দমাস্কস, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি): ইন্টরনেসনল ইনভেষ্টিগেটরশিংনা সিরিয়াদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক পায়খৎনবগী মতাংদা য়ু এন সিক্যুরিটি টিমগী অয়াবা লৌনবা হোৎনরি।

কেমিকেল এটেক চথুখি হায়বা সিরিয়াগী টাউন্দ অমদা থিজিন-হুমজিন্দুনা থৌদোক অদুগী চপ চাবা লিখুন খঙদোক্লবা ইন্টরনেসনল ইনভেষ্টিগেটরশিং লৈবাক অসিদা থুংলখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, এপ্রিল ৭ তা সিরিয়াগী দোমা টাউন্দদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কেমিকেল শীজিন্নদুনা চথুরকখিবা এটেক্তা মীওই ৪০ হেন্না লৈখিদ্রবনি। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ফ্রান্স অমদি বৃটেননা মরুওইবা সিরিয়ান মিলিটরিগী মফমশিংদা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক চথুখি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী মীফমদা সিরিয়ান এম্বেসেদর বাসর জাফরিনা হায়খি মদুদি, য়ু এন সিক্যুরিটি টিমগী অয়াবা হেক ফংবগা ইন্টরনেসনল ইনভেষ্টিগেটরশিং থবক হৌরগনি। থেংলবদা শগোলশেন নুমীৎতা ইনভেষ্টিগেটরশিংগী থবক হৌরবা য়াই হায়না সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী মীফমদা জাফরিনা ফোঙদোকখি। মমাঙদা সিরিয়ান ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খিবনি মদুদি, ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্সকী টিম অমা দোমাদা চঙখিবগা লোয়ননা থবক হৌনবা শেম শারে।

## বারবারা বুস লৈখিদ্রে

ৱাশিংতন, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফার্ষ্ট লেদ্দি ওইরম্বী বারবারা বুস লৈখিদ্রে। য়ু এসকী ৪১ শুবা প্রসিদেন্ট জোর্জ ঐচ দব্লিয়ু বুসকী লোয়নবী অমসুং ৪৩ শুবা প্রসিদেন্ট জোর্জ দব্লিয়ু বুসকীনা অপোকপী বারবারা বুস মশাগী চহী ৯২ শুখ্রে। এপ্রিল ১৫ দা বুস ফেমিলিনা ষ্টেটমেন্ট অমা থাদোক্তুনা হায়খিবনি মদুদি, বারবারাগী হকচাং শোকচিল্লকপগা লোয়ননা লায়েংবদা থোইনা কান্নবা ফংদ্রে।

# টর্কিদা ইমর্জেন্সিগী মতম অমুক হন্না শাংদোকখ্রে




অঙ্করা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি): টর্কিগী মকোক থোংবা সিক্যুরিটি বোদিনা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সিগী মতম শাংদোকহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কুমজা ২০১৬ কী জুলাইদা মাই পাকখিদ্রবা কু তৌবগী থৌওং অমগী মতুং তারকপদা লৈবাক অসিদা ইমর্জেন্সি থল্লকখিবনি। জুলাই ১৫ দা প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগানগী মথক্তা কু তৌরকখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ নি লৈরগা ষ্টেট ইমর্জেন্সি লাউথোকখি।

অর্দোগাননা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা নেসনল সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী মীখলদা ইমর্জেন্সি শাংদোকহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। পার্লিয়ামেন্টনা হৌজিক ইমর্জেন্সি শাংদোকহনবগী ৱাফম অসি অয়াবা পীগদবা ৱাৎলি।

কু তৌরকখিবগী মতাংদা টর্কিনা অর্দোগানগা নক্লরম্বা মীওই অমগী মথক্তা মরাল শিখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা ফেতুলা গুলেন অমদি মহাক্কী কাঙবুনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা কু তৌনবা হোৎনরকপনি হায়না টর্কিস ওথোরিতিশিংনা মরাল শিখি।

চৈরকসিদা জজ, পুলিস ওফিসার অমদি ওজা য়াওনা পব্লিক সেক্টর ইমপ্লোয়ি ১,৪০,০০০ হেন্না থবক্তগী লৌথোকখ্রে। ইমর্জেন্সি থল্লকখিবগী মতাংদা ওপোসিজন রিপব্লিকান পীর্পস পার্টিনা শীন্দুনা ইমর্জেন্সি থল্লকখিবগী মায়োক্তা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

ইমর্জেন্সি থমখিবগী থৌওং অদুবু য়ু এন কাওন্সিল ওফ য়ুরোপকী মকোক থোর্ব জোননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৌথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্কিনা মাগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিঅলদা য়াওনবা হোৎনরকপগী মতাংদা পীখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুরোপিয়ন কমিসননা হায়খি, মদুদি টর্কিনা পন্থবা তৌদনা ষ্টেট ওফ ইমজেন্সি লৌথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। ইমর্জেন্সি থমজিন্দুনা মীওই কয়া ফাজিনবা অমসুং মীওৎ মীনৈ চথুবা খুদক্তা লেপ্পকদবনি হায়নসু য়ুরোপিয়ন কমিসননা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বরদা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা টর্কিস কন্সষ্টিট্যুসন নৌনা শেমদোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি। নেসনেলিস মিলিয়েৎসি হরিকট পার্টি (এম ঐচ পি) না লাক্লিবা ওগষ্টতা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা অর্দোগাননা হায়খি, অথুবা মতমদা লৈবাক্কী কন্সষ্টিট্যুসন শেমদোক্তুনা ফুরুপ খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মওংদা খুদোংচাবা ফংহনবা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি নোংচুপ লৈবাকশিংনা সিরিয়ান লুচিংবা বাসর অল অসদকী মথক্তা এটেক চথুবগী থৌওংবু টর্কিস প্রসিদেন্ট রিসেপ টয়িপ অর্দোগাননা তরাম্না ওকপা লৈখ্রবনি। ইষ্টানবুলদা পাঙথোকখিবা রুলিং পার্টিগী মীফমদা মহাক্না হায়খি, সিরিয়াগী মথক্তা এটেক চথুখিবগী থৌওং অদু মতিক চাই হায়না লৌফম থোকই। এপ্রিল ৭ তা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নদুনা মীচম কয়ামরুম হাৎখিবগী লম্মন খুম্বা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন অমদি ফ্রান্সনা সিরিয়ান প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদকী মথক্তা এটেক চথুখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা অরদোগাননা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর তেরাসা মে অমসুং ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোনগা টেলিফোন্দা ৱারী শানখি। টর্কিনা সিরিয়াগী বাসর অল অসদনা লুচিংবা লৈঙাকপু য়ানিংদবগা লোয়ননা মিলিটেন্টশিংগী মতেং পাংদুনা লাকখি। অদুম ওইনমক সিরিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা রসিয়াগা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নখি।

রসিয়ান প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা টেলিফোন্দা ৱারী শানখিবদা, অর্দোগাননা সিরিয়াগী মতাংদা পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। সিরিয়াদা নোংথক্তগী এটেক চথুখিবগী মতাংদা য়ু এসনা লুচিংবা নোংচুপ লৈবাকশিংনা টর্কিদা মাঙজৌননা পাউ পীরম্মী হায়না দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর বেকির ভোজদাগনা ফোঙদোকখি।

# টারিফ পোলিসীগী মতাংদা য়ু এসনা চাইনাগা ৱারী শানবগী ৱাফম অয়াবা পীরক্লে : দব্লিয়ু টি ও




জেনেবা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সি): ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ষ্টিল, এল্যুমিনিয়ম অমদি অতৈ চাইনাগী পোৎলমশিংদা টারিফ লৌবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনাগা ৱারী শাননবা শেম-শারে হায়না ৱার্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু টি ও) না ফোঙদোকখ্রে।

জেনেবাদা লৈবা দব্লিয়ু টি ওগী ওফিসল অমনা হায়খি, য়ু এসনা টারিফ থল্লকপগী মতাংদা ৱারী শাননবা চাইনানা হায়জরকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়খি, চাইনাগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম ১,৩০০ দগী অহেনবা টারিফ লৌনবা থৌরাং লৌখৎখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। দব্লিয়ু টি ওগী মীৎয়েংখাদা লৈবা অনীনা হিরম অসিগী মতাংদা য়ানশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরি।

অমরোমদা, মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাক ওইরিবা য়ু এস অমসুং চাইনানা লল্লোন-ইতিক্কী ওইবা লান শোক্লরকপগী থৌওংনা মালেমদা শেল-থুমগী ফীভম শোকচিনহনবা য়াই হায়না ইন্টর্নেসনল মোনিটরি ফন্দগী চীফ ইকোনোমিষ্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মোরিষ্ট ওফসফিল্ডনা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক আউটুক্তা হায়খি মদুদি, ফনা য়াম্না য়েংথিনরবসু লৈবাক মশেল ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমগনি। মমাঙ থাদা ত্রম্পনা চাইনাগী মথক্তা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা এল্যুমিনিয়মদা লৌবা টারিফ চাদা ১০ হেনগৎহন্নবা থৌরাং লাউথোকখি।

য়ু এসকী থৌওং অদুনা মালেমদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লকপা য়াই হায়রি। অমরোমদা, রেবোবেঙ্ক ইন্টরনেসনলগী ইকোনোমিষ্ট হ্যুগো অর্কেননা হায়খি মদুদি, লৈবাক মশেলগী মরক্তা টারিফ থমদুনা অমগী থবক্তা অমনা খুৎ থিংজিনবা তারবদি মালেমদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমশিংদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লগনি। অমেরিকাগা নক্লবা লৈবাক্লি হায়না লৌবদগী ইন্দিয়াগী মথক্তা চাইনানা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপগা লোয়ননা মপান লৈবাক্তা থাদোকপা পোৎলমশিংদগী অহেনবা টারিফ লৌনবা হোৎনরকখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগা লোয়ননা মালেমদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরম পায়খৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরগনি হায়রি।

ইন্টলেকচুয়েল প্রোপর্টি রাইট ঈকাই খুম্নদে হায়বগীদমক প্রসিদেন্ট দোনল ত্রম্পনা দোল্লর বিলিয়ন ১৫০ রোমগী ওইগদবা চাইনাগী লল্লোন-ইতিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

---

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 395/SDC/IW-L/2018*

1. Angom Romila Devi D/o (L) A. Lokhon Singh of Phayeng Mamang Sabal.
2. –Do– Tombi Devi D/o (L) –Do– of –Do–.
3. –Do– Subhaschandra Singh S/o (L) –Do– of –Do–.

*-Petitioners*

*-Vs-*

Late Angom Lokhon Singh S/o (L) Tomba Singh of Phayeng Mamang Sabal.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 16/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার অঙোম লোখোন সিংহ, পীং মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং ফয়েং মমাং সাবলগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬১-শঞ্জেনবমগী অনৌবা পাট্টা নং ২০৭, দাগ নং ২৭৮/২৭৯ অমসুং এরিয়ানা ১.৮৮০০০ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/1050/19*

---

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 396/SDC/IW-L/2018*

Angom Rajen Singh S/o (L) Ibochou Singh of Phayeng Mayai Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Angom Aton Singh S/o (L) Butan Singh of Phayeng.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 16/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার অঙোম অতোন সিংহ, পীং মৃ: বুতন সিংহ, সাং ফয়েংগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৭-কাংচুপকী অনৌবা পাট্টা নং ২, দাগ নং ১০৬ অমসুং ১০৭ কী এরিয়া ০.৮৩০০০ অমসুং ১.৬৮০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/1050/19*

---

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 400, 401 & 402/SDC/IW-L/2018*

1. Angom Angou Singh S/o (L) Tochou Singh of Phayeng Mamang Leikai.
2. –Do– Kullachandra Singh S/o (L) –Do– of –Do–.
3. –Do– Bheigya Singh S/o (L) –Do– of –Do–.
4. –Do– Angabi Singh S/o (L) –Do– of –Do–.
5. –Do– Maipak Singh S/o (L) –Do– of –Do–.
6. –Do– Inaotombi Singh S/o (L) –Do– of –Do–.
7. –Do– Surjit Singh S/o (L) Romando Singh of –Do–.

*-Petitioners*

*-Vs-*

Late Angom Tonchou Singh @ Tomchou Singh @Tolchou Singh S/o (L) Ira Singh of Phayeng Mamang Leikai.

*-O.P./Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 16/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার অঙোম তোনচৌ সিংহ ওর্ফে তোমচৌ সিংহ ওর্ফে তোলচৌ সিংহ, পীং মৃ: ইরা সিংহ, সাং ফয়েং মমাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬২-খা লাইরেনকাবী অনৌবা পাট্টা নং ৫৩, দাগ নং ৬ কী এরিয়া ০.৭৬০০০, অনৌবা পাট্টা নং ৪, দাগ নং ৮ গী এরিয়া ১.৫৪০০০ অমসুং অনৌবা পাট্টা নং ৭৩, দাগ নং ৭ কী এরিয়া ০.৯৯০০১ চাওবা ফৌরেল লৌফমশিং অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/1050/19*

---

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 399/SDC/IW-L/2018*

1. Angom Maipak Singh S/o (L) A. Tochou Singh of Phayeng Nongpok Leikai.
2. –Do– Inaotomba Singh S/o (L) –Do– of –Do–.

*-Petitioners*

*-Vs-*

Late Angom Tonchou Singh S/o (L) Ira Singh of Phayeng Awang Nongpok.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 16/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার অঙোম তোনচৌ সিংহ, পীং মৃ: ইরা সিংহ, সাং ফয়েং অৱাং নোংপোক্কী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৩, দাগ নং ১১১ অমসুং এরিয়ানা ১.০২ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/1050/19*